ভী : কন্নিনো ঐবো ? করি ননিং থুংদ্রে ? নহান ভোট থাদব য়াওবদু নং নত্রা ?

নি : ননাই ঐদি শক ওম্হোক্কুন অহুমলকপু থাদজখি।

ভী : করি পামই হায়ম্ম।

নি : ননাইশিং খরনা অচা অথক খরা কৎচগে লাকই পুশিঞ্জরকউরা।

ভী : হায় হায় মী ময়াম মমাংদ ঐ মন্ত্রীন শেল চাববদি কদাম্ব মাদগে ? নুপী মচাসিগ চৎমিন্নৌ মখোইদ থনম্মু। ঐদি শেল চাদে, কোবী-ফুল অমফাওব চাদে হায়ন লৈবাক ময়াম তানব লম্বাদা লাওথোকউ। চৎলো খিৎতদা ভাব তান্নসি।

(ইঙ্গিৎতা মখোইনি চৎখিব)

হায় চাপ্রাসী নুপীমচাসিগী ময়ুমদা চৎলু পোংচৈদু য়েন্নরু। মী খংখিব য়াদে হায়।

চাপ্রা : ননাই ঐন লোইন খংজৈ। (চৎখিব)

(মপান্দ ময়ামন লাওব) জয় জয় বড়মন্ত্রী ভীমসেনগী জয়। জয় জয় শেল চাও য়াদব মন্ত্রীগী জয়। জয় জয় সেক্রেটারী পিশিক্কী জয়।

(ভীম পিশিক্না মন মুঙাইন হক্কং হন্দা মকোয় নান্দুন ফন্দুন চংপা)

ভী : লৈবাক্কী থবক তৌব লৈবাক্ন য়াব মী হায়বসি মমুঙাইনা ঐবো।

পি : য়াইম ইবুঙো মসিদগী হেন্না অমুক মুঙাইদোবদি য়াইমনা মহারাজ কাব, ঐনা বড়মন্ত্রী ওইহৌবা, মদুদি মপা লৈত্রেদো। থনবিযু রাগ তৌবিযু।

ভী : নংসি ঐবো পেন্দেদা। ফমথোন কাবদি লাইবক্তুনা ঙাইখো ইমানিনা তৌবিবা থবকসি ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনা তারবদি কমদৌনি " হবাউদ্রা ? শাগুদ্রা ?

পিশিক : ধর্ম্মরাজনবু মুন্না তাববদি লোইবেদন। অতুন নুপীমচাদুগী রাখল অমা দ্রৌপদী তাববদি রা থোক্লে—থনবিবনু।

(ভীম্না রাখল লুপ্পুন ফমুংদ ফম্বা জ্ঞান তাদন হিপখিব, যুধিষ্ঠির লাকপা)

যুধি : ভীম, ভীমসেন। পাণ্ডুগী মচা য়াইমা। (কন্না) বড়মন্ত্রী

ভী: ঐগ্যা ধর্ম্মরাজ।

যুধি : লৈবাক্না মুঙাইনব ওইবিব মন্ত্রীবা ? নত্রগা নবম্নাইগী মুঙাইনব ওইবিব্রা ?

ভী : লৈবাক্কীদমকনি ঐগ্যা।

যুধি : ওইদব ঙাংগনু, নচীম্বীনু ভীম। কবিগী থুমদে পূকচাওব।

ভী : ননাই ঐ লৈবাকনা পাম্বা থবক্ত তৌজবনি।

যুধি : অচুম অবাল য়েংদন মথোইন পাম্বা ঙাক্ত তৌগদ্রাও ? অচুম্ব নত্তন অবানব থবক্না লৈবাক্কী অফব ওইব হোনব্রাও ? প্রজানবু অচুম অবাল খংব্রাও ? জ্ঞান তাব প্রজাঙাক্ত লৈব লৈবাক লৈব্রাও ? মথোইনা অপাম্বদ তৌববদি লৈবাক্ত করি থোকনি ?

(মৈ মন্থা যুধি— চৎখিব, মৈ ডংনবা ভীম্ম মীকপ খোকপ, কনা লাক্লম্বগে হোৎগংতুন য়েংবা কনা উদব ফমতুন বাখল তৌবা ।)

ী : পিশিক পিশিক । হায় পিশিক (কন্ন)

প : (তপ্না) কৈদৌবে য়াইমা ?

গা : ঐ ঙহাক্ত তুমগে. নং মী লাকপা শংউ ।

প : ওস্কোক্না পাংদেদা য়াইমা । তুম্মু শংলে তুম্মু. কনাসু কিন্নু, ঐ লৈ ।

(মান হান্ন তুম্ব)

(ভীম্মা বাপল তৌনা তৌনা হিপ্পা)

ভীম : অচুম্বা । অবানবা । (তুমখিব)

২শুব মতাং/৪শুব উৎপ।

পদ্মী, অর্জুন, দুর্যোধোন অমসুং দুঃশাসন বাবী শাগনা লাকপা ।

দুর্যো । ‘ পানন ড ইথো বা হায়গে । শুমি ভামনা মন্ত্রী ওইব লৈবাক খালপস্থবোমদা চেনগে তৌবদণা ঐদো াই মীনা কায় হায়বতু কনা কনা না ?

দুঃশা : মদো যণৌ লুচিংবত্রগী মমিং তামচৌ কৌই । মখোই মী ১৫০ বোম শুই । খাজনা থিদব, হুণানব থবক শুনিংদব তাকু-তাবাং-মখৈ পুল্লে ।

দুর্যো : মখোইনা এখোহগী লৈবাব সুক মুঙাইব লৈহাও চেল্লব, মহৈ মবো‌ং ফণবব, লৈবাক মঙাক অসুক নিংথিংবদদি লৈনিংদ্রতুনা ভীম অঙাউবনা ডাকপ, লমহাং তুহাং লাইবম তীল্লম অহুদা লৈরুগে হায়দুনা চেন্নাববসিনু কবি অথ লৈবগেনে য়াংমা ?

দুঃশা : ঐখোই তাথগা মুনা তাবিদ্রবননি। পুকচাওব চিন্তীব ভীম হায়ডনা চাক অবুক থনমন্দড়ুনা মন্ত্রী ওইডনা য়েংগে হায়ডনা মান মন্ত্রী ওইহল্লবদদি মঙোন্দ ভোট থাদবিরবদি মকোক শনা য়োম্বীনি ময়ুম লুপাগী মুন্নীন য়ুংবিনি! মী পুম্নমক চাব থকপ বাংহল্লোই ইনাকখুনবদগী.মুন্নি। অড়গা প্রজা ময়ামনা অপাম্ব মতুং ইন্না লৈবাব ভাকনি কা হারজিন্দুনা মন্ত্রী ওইনব তাৎ তৌবদ মী খরনা থাজড়ুন কোইচেন চেন্নরিবনি।

দুর্যো : অচেনবশিংঙ ফারব্রা ?

দুঃশা : ফাড়ুন থমহৌরি ঙসি বিচারনি। পুন্দুনা ফুব্রবদি য়াপোৎ নত্তে। লেংলুসি।

দুর্যো : নুঙাইমন্দুনা কেথোক্লবদি মতিকচাব দণ্ডি পিব তায়! খৈদেন্দ শোরোক্লা চিংড়ুন-চিংড়ুনা ফুবগ ভাব তাগদবনি। (চৎমিন্নখিব)
(পিশিকনা মাং থাব ভীমনা গদা য়েপ্তুনা বাথল অমদা লুপ্তুনা খোরকপা)

পি : মনাও ইবুঙো পংদোগী শরুক্তি শিংসে। ফমনাইব হায়বসে নাইড়না নাইরবদি ইথক্তা মীন বা ঙাংবা ঙমদবা ফম্না মফরবনে। মনাও ইবুঙোন মহারাজ, মহারাজ ভীমসেন কী জয় কয়াদ ফজখ্রবনো। শ্রীযুক্ত বড়মন্ত্রী পিশিকী জয় বস পোকপগী মহৈ য়াল্লে হায়ব।

ভী : পিশিক ঐবো নংনা ভাবনা দলান শাগৎলিব ফমথোন কাখৎনিংইব, ঐন বারিবনা হুজিক ইমানিন ওইরিব ফম য়েঙ্গাং মথেল য়ামখ্রব, মীন পংকৎতা কৎলব ফম অসি শোইরদ্রা হায়ড়ুনা চিংনরিব।

পি : করিগী? করম্না? লৈবাক্লা য়াড়ুনা ওইরিব ফম্বু লৈবাক্লা য়ারিবৈদ কনান লোথোক্লোরিবা ?

ভী : ইয়াম্ব অহন যুধিষ্ঠির ধর্ম্মরাজনা ইমানিন চৎলিব লমচৎসি তারবদি ইমানি লোইরেদো।

পি : কবিগী ? ইপু ইনায়ন ওইবিব ফমসিবু মহারাজনা লোথোকপ যাত্রাও ? লৈবাক্কী ফনবগীদমক লৈবাকনা অপাম্ব খন্দুন মন্ত্রী হাপ্লিব লৈবাক মচাবু নিথৌনা পাক লোখোকপ যাত্রাও ?

ভা : ঐখোই লৈবাক মঙাকসে লৈবাকমচা ঙাক্তন খুসীদ ঙাকচব হায়বজদি থোকফাৎত্রি—নিংথৌগী রা য়ামন থাকই। অতুনা রাবিবনি লৈবাক্কী নুঙাইব মপুং ফাত্রিবনি। অতগী মথক্ত ধর্ম্মরাজসি অচুম্বদা পাম্ব অচুম্বদ চৎপ নিপানি। মাগী মনাও ঐমা মন্ত্রী ওইবগা অবানব থবক চৎলবদি পুকনিংসি কযা নুঙাইখিদ্রবনো ? অচুম্বু থাজব ইয়াম্ব কিব ভীমগী পুক্লিং নংনা ভীমগী নবক্নি। ঐ থংদ্রে, ঐ ভাব তাদ্রে। লৈবাক্ক পাম্বদা য়েংগদ্রা অচুম্বদা য়েংগদ্রা ? লৈবাক মীযামন অচুম্বদ পাম্বীযু-জ্ঞান তাবিযু হায়বদি য়াদবনিনা কয়াদ লগ্রবনো লৈবাক্কী মপী ওইব।

পি : মহারাজসু য়াইমন পুন্ন ওইবরদি হি অনি ভোংদ্রেদো। মদোমদসু খনবিযু রাখল হাযবসি থল্ল থল্ল থোকপানে

ভী : লাংখিন্নু পিশিক অন ইব থনক নতে

(নিপা ১ পবপ পবপ চল্লক্ত্ন ভীমগী মথোং পাইজন কপ্পবা)

নিপ বড়মন্ত্রী। ননায়শিংগী থমাইদাদ কনবিয়ু।

ভী : কৈদোবে ? মবোল হায়যু।

নিপা : হস্তিনাগী দববারদা ঙতাক্ত লেংবিদুনা ননায়শিং মী ১৫০ বোমগী থরাইদদি কনবিযু। বড়মন্ত্রীগী লৈবাক্তা লৈজনিংতুনা চেনবদগা দূর্য্যোধনগী মনাযনা ফাদুনা দববাবদা পুথ্রে। মথরাই হাৎপিকত্রা চিংনজবে। কুপা তৌবযু।

ভী চৎলু, চৎলু। (চৎমিন্নখিবা

২শুব মতাং/৫শুব উৎপ।

· দুর্য্যোধনগী কোনুং, দরবারশংদ।

তাংবন্দা নিংথৌ যুর্যোধন ফাম্ম, ওইদ তোমচৌ প্রজা ১ খুরুখুদক কুন্দুন ফম্মি। য়েৎত সেনাপতি দুঃশাসন শাওন লেপই।

দুর্য্যো : দূরানবৈ লুচিংবসিবু মমিং করি হায়য়ে?

দুঃশা : নংবু নচীন পান্দ্রা? খুম্মুনহায় তাকুহন।

তোমচৌ : ননাই ঐবু ওইরব্রা?

দুঃশা : ইয়া. নংবু নল্রবদি কনাবু ওইনি? ননাত্থ লৈপংলু হায়ব্রা?

তোম : ননাই ঐগী মিংদি তাকুহন কৌজদে, অহল লমন্ন থোনবিব মিং তোমচৌ হায়বসিনি। থাজবিদ্রগ লৈকাইগি চৌকীদার নম্বরদ হংবিব য়ানি; ননাই ঐ মী অতৈদৌন চীম্বিব হৈজদে। সুম তিন্নরগ খচবিরক্কনি।

দুঃশা : ওক্লে তুমিন্ন লৈয়ু। নংবু কনান ব্বারী লীয়ু হায়? দূরানব নংগ কনান তিন্নবিদোরিনো?

দুর্য্যো : মথন্দরা মকোক ওইরিব নিপাদে?

দুঃশা : নিপা অমদি চেনখ্রে। ·'য তাকু, চেনখ্রিব নিপাদু করি মমিং কৌই? নংগি মক্লপ দূর‍া·ব লুচিংব অমত্তবুনে?

তোম : হস্তিনাদ ইস্কুল লিংদঙন লাইরিক তম্ভম লৈতত্নন লাইরিক হৈজদে. মাগি মমিং ইশিঞ্জহৌদে। লাইরিক হৈতবনিন কাওথোকচখ্রে।

দুর্য্যো : থোরীন মঙকশমদ কিরগ শিপা অনীবু লাকশিলহল্লু, অত্ত ওইরবদি মহাক্কী মমিংত্থ শোইদন নিংশিংলক্কনি।

দুঃশা : হায় দুরানব! নং নথব্বাই মাংব তারেদো, সিংহাসন্দ ফম্লিব নিপাসি কুরুপতি দুর্য্যোধন মহারাজনি। নঙ্গোন্দা ব্বা হংলিব ঐন

হস্তিনাগি সেনাপতি দুঃশাসন যুবরাজনি। ন° কবিসু লৈতব মী মচা অমন অসুক উশিং থোওইদবগি মবম কন্‌গিনো?

তোম: তাইবংমী হায়বসি মুংঙাইব পাম্মি, থবাই মাংব পাম্মুদে। মুঙাই-নবগিদমক, থবাই হিংনবগিদমক মথল মখা অযাম্ব অরাব খাংই, অদুম অবাল থিদন মীন মুংশিনব মপুন চান্নব চীবোল তৌই। হুজিক ঐবু ফাবিদুন থবাই হিংনবগি আশা লৈত্রবদ ঐন কনাবু অমুক কিকুখিনি, কনাদ ব্যবহার তৌকখিনি? ঐবু পীবিনিংব দণ্ডি পীবিয়ু।

দুর্যো: হৌনব খঙদব লৌরাই মচাসিগি ব্যবহার লৈতব রাশিংসি তাদুন লৈব কনান ঙমদগে?

(ভীষ্ম গদা লেংথোং নাদুন মতুংদ পিশিক অমদি নিপা পাউ-পীবব অমন ইন্দুন পবপ পবপ চংলকপ)

ভীম: দাদ মহারাজ দুর্যোধন! নংন হুজিক হৌনব খঙদব লৌরাই মচা হায়বদু কনাবুনো? ঐবু নদাও? ঐবু ওইবরদি নফি শেম্মু গদা পায়গু, ইমানী হমাং ঙহাক তান্নসি।

দুর্যো: কবিনো য়াইম ভীম নংন হায়বিবসিবু ঐদি ইঙকপ্ ওক্লেনে।

দুঃশা: কবিনো ঐখোয় তাযাইমদি থাইনা অঙাং ওইবিদৈদ পাঠশালাদ তম্মিরৈগি কিশি শেংদুন লম্বীদ মুক্ষা শান্নবগি চাবত অদুম লৈবিনা। কাংগু মতেক অম মাংহনবগি শেন্দোইদ পংকা কাহন্দুন পাই অমন লুপা ১ ফাবগি ভাবতু অদুম লৈবিদিব রা ওইবে। খাণ্ডপ্রস্থগি বড়মন্ত্রী ওইন্ন হায়বদায়নে?

ভী: ইহে ইহে, দুঃশাসন ঐবো ইযাম্নদি শাওকববোইনা। চৃম্মি, ইয়াম্ব মন্ত্রী ওইরিবনি। হায় নিপা। নংনা ফাগ্রে হায়ব নিপাশিংদুবু কদায় কদায়নো?

নিপা: সিদ লৈবিব ননাইসিন মকোক্কি। মম্মিংন তোমচৌ কৌই।

(দুঃশাসন দুর্যোধনদা ইঙ্গিংন নিপাদুবু মশক তাকই)

ভীম: তোমচৌ, নংবু কনান করিগি ফায়?

তোম: ঐবু ফারকপ দারোগা ইনাক্ত লৈরিবশিদ হংবিয়ু বড়মন্ত্রী ঐন খঙজব মরম, ইরাল থোইদোকপ লৈজদে।

দুঃশা: তায়াইমা, মসিদৈ নুপাসিগ, অহুদৈ নুপাহুগ অনীসিন ঐখোয়গি হস্তিনা হায়ব লৈবাকসি থুগাইরম্মে।

ভী: তোকসু পায়হুন থুগাইরম্মিব্রা? হবাইমঙ্গল নত্রগ হঙ্গাম থানি হায়ব্রা?

দুঃশা: মদোমদ নত্তে, রাজবিদ্রোহী হায়বহুনি।

তোম: করম্মা যুবরাজ? ঐনা করি তৌরহুনা?

দুঃশা: মখোয় অনীসিন হৌদুন প্রজা ময়াম্ব হস্তিনাদ লৈরম্ব, নপোৎ নচৈ মুনখিনি, নুংঙাইব ফংলরোই। হস্তিনা থাদোক্লগ ইন্দ্রপ্রস্থদ চেল্লসি তায়হুন মী পুম্নমক খোম্মি লৈবাক লাংহল্লি।

তোম: হাওতব য়েঙ্গাং উৎসবকি বার্তোন ফংহুন চারুবদ মপুন শাওদনব হাউই হাউই খুন্নন রা অমনি। ইপুঙ্গি চুপ্প লৈদৌরিব লৈবাক নুংশা হোনব বেবা তৌরবদি মীনাই অরৈবমক্তি নত্তবনিন লেম্ম থাকপিহুন চাকলেম চাবমক্তি নত্তবনিন নুংঙাইত্রবদি নুংঙাইতে হায়ব মরোল থোকপ মীগি হোনশানি। মরূপ মপাং মরী মতা অয়াম্ব ইন্দ্রপ্রস্থদনা নুংঙাইনি থাজনহুন লোইন চৎনখ্রে। হস্তিনাদি থাজনান য়ামন লৌরিবা, ফৌ-চেং নমহুন বানখিরিব, পুখিব শেলন শিংবিব নাইদ্রিব, থাংমৈ মতিক চান পীবিদ্রিব, পোৎয়েন শেনয়েলন নিংথৌগি মরী মতা, মচা মনাই নত্তবশিংদ খিজিক্ত থুংবিরিব, অবাব থাংবদনা প্রজা ময়াম নুংঙাইব কান্দ নিংথৌ মচাশিং অমসুং মখোয়গি মনাই মশলগি অয়াম্ব শরুক। মসিদ থবাই চাক্তুন হস্তিনাদ লৈজররোই ইন্দ্রপ্রস্থ নত্রগ খাণ্ডপ্রস্থদ যুম হোংজরগে হায়ববু ইরাল ওইব য়াব্রা? মনাবুদ্ধি তৌবিয়ু।

ভীম: লৈনিংদ্রব লৈবাক্ত নংবু কনান লৈযু হায়? নকোক্ত গদাসিন থোম্মুধা? চৎলুনা নখোয় নখোয়ন লৈজনিংব চাব হোংনি, অনা অয়েক লৈখোই, হুংঙাইকুনি খঞ্জব লৈবাক্ত চৎতুন লৈরুবদ নখোয়বু কনান পিংই? হুজিকমক চৎলু চৎলব্রা?

(নিপা অনীহ খুজিন্ন শিক্লয়গ মতু পোন্ন চৎমিন্নখি)

দুঃশা: ঐখোইগি দাদ য়াইমন তৌবিবিবসি বাজনীতি কায়বে, আইন কায়বে। হস্তিনাগি প্রজা লৈহৌববোই।

ভীম: নখোযগি আইন্দ কায়বব্রা? মী ওৎপ নৈবন নখোয়গি আইনলাও? ঐখোযগি বাজনীতিদি, আইনদি মাবু নুংঙাইহন্নবনি, মাবু অবা-বদে, ওৎপি নৈবিবম্বদে ৺নবহনি, নখোযন আইনগি মতুং ইন্ন প্রজা শুম্ব ঐখোয়ন আইনগি মতুং ইন্ন পজান নুংঙাইনব লম্বী শেম্ব। মত্তুগি মহেন নখোয়গি প্রজা মশাং হম্বব ঐখোযগিন হেঙ্গৎলকপ মশান তাজবনি মতুগি কবি শাওবি? প্রজাগি মবল মপাঙ্গল মুন্নগ হবাওব্রাও? য়াদ্রগ শাওনিংব্রাও? অশোনবৈ মবল মথুম মুন্দোশরুক মন্ত্রী ঐগি ফুবিৎখাও ওন্ম। চদোবাও?

দুর্যো: য়াইম নংবু ঙসিদি নমিৎ ননা ইথক থকু ৬৬ মহী মনাই নত্রগ মৈখু কোক ঙাওব জাৎতু থব চিংঙকপ্রাও? নংন নফিদ পংশেম শেম্বসিবু কবিগিনো? নখোয় ঐখোয় থাং তেন, মল হদা লোইন তম্মিন্নবকপনি। ঐখোয়ন হৈবিব খংন চৈনব লাননা বিদ্যাসিবু ওঝাগুরুন মতম মফম চাদন হেক্ত শিজিন্নৌ হায়নকপ্রাও? চহি ফন য়াম্মে, পাখঙমচা অঙাওবৈ মতৌ তম্ব য়াবিব মতম্লাও নখোয় ঐখোয়বো?

ভীম: ক্ষেত্রি মচান অহৈব বিদ্যা শিজিন্নগদবনি। শিজিন্নফম চাব চাদবৈ বা ঐঙোন্দ মীন তাকপিব কান্নবোই। ঐ পাবা ফাগনব মী নত্তে।

ইহে বা অম কাউকবে হস্তিনাপুবসিবু ইন্দ্রপ্রস্থদ চেল্লকপ মীন পাকিস্তান্নি হায়বি। কবি অর্থনো ঐ মুন্ন খঙদে। হন্দক, মশক্তি মুন্ন খঙহৌদ্রে, নিংথো মচা খবন শা তানব লাকপদ কাশ্মীবগি হৈকোন লৈকোন নৈখাযবন্মে, প্রজা খবগি মপোৎ মচৈ মবল মথুমসু মুনর্ি খ্রে তাবি। মত্ত লেম-ন তোক্লোই, কুপ্ন থিগৎলকদৌবি। ধর্ম্মবাজ যুধিষ্ঠিবন খৎনব পান্মোই হায়ত্নন উশিত্তব থবক কয়া যুমলোম্ন বশিংন তৌবকই। খৎনব পাম্ব মনাও খবনদি থিগৎতুন য়ৈদৌবি। যুববাজ দুঃশাসন লম হেনব নিংথৌমচাশিং নখোয়ন খঙনব লৈববদি থব শন্দোকই, নোংম মখোযত্নু মকোক কাযজবনি হায়ত্নন।

দুর্য্যো : যাইমা, নং লৈবাক্তী বডমন্ত্রা অম ওইববনি। মীচম্ন মবুক ফত্তত্নন মী গুন্দুন ডাংব বাদি পংথা থাক্তকনু। ইচিন্নাও ঐখোয় চাযদি মাঙোন্দ লানব ধর্ম্মকাযব থবক তৌব মীতা নত্তে।

ভীম : এসু থাদি কয়া থাজদবনে। দুঃশাসন নংসু খঙদে উদেকো মীগি হিঙ্গোলদ চংত্নন পোৎ চৈ হুবানগনব নখোয়গুম্ব নিংথৌ মচাসে?

দুঃশা : খঙজদে দাদ যাবম। ঐখোয়দি লৈত লাইবব মচাদি নত্তবনিন, মীগি মচাংৎ মবল পাম্ব ওক্তব নহাবোলগ তিন্নজদে।

পিশিক : নথুংদ লেব মপোৎ মবল মাংথ্রব প্রজাশিংনদি মশক মমিং পন্দুন তাবকই, খঙহৌব যায় য়াওই নিংথৌ মচা মমাই পান্দবশিংত্নবু হাংনেদা।

দুশা : কনা কনা হায়বকই পিশিক?

পি : মখোয়ন হায়বদ মহাবাজ দুর্য্যোধনগি মচিন্ননাওশিংনি হায়, দুঃশসন কৌবডন লুচিংলকই হায়। দুঃশাসন হায়বত্ত ইবুংঙো যুববাজ নৎপিত্রাও।

দুঃশা : দুশাসন যুববাজ হায়বক্তবদি ঐ নত্তে পিশিক সেক্রেটাবী। নং নফমদি ফন ইন্দ্রপ্রস্থদ চাওই হায়ব তায়, নবুদ্ধিদি থব বাংপ তায়

ঐবো। করিনা হায়ববু দুঃশাসন হায়ব মিংসি অচৌব লৈবাকসিদ মী অতৈসু কৌনরম্ব য়াই। ইম্মিং মান্নবশিংহন অয়ানব থবক তৌরম্বগ ঐন দায়ী পুব ওম্মোই।

পি: দুর্য্যোধন মহারাজগি মনাও ইবুংঙো দুঃশাসন হায়ব মিংসি কৌব অপঙব, মীগি মপোৎ মরল শাম্ব মীসি হস্তিনাদ য়াম্মন লৈরিবোইরে।

দুঃশা: মী উশিত্তব বা ভাংগন্নু পিশিক, নং দাদয়াইমা য়াওরমত্রবদি দুঃশাসনগি কিন্ন থিনবদ নকোক্কী শরূদু কয়া থীন কায়বগে হায়ব থঙলমদোবনি।

ভী: হিরম অসিদ ঐ এংকারী তৌরুথিনি দুঃশাসন। কাশ্মীরগি লুট পাটিসিদ য়াওরম্ব মীচম থঙদে নিংথৌমচা থঙদে, মখোয়দুদি ভীমগি গদান কয়া লুম্ব হায়বদু ভাব তাগনি। চৎসি কান্নদে পিশিক সাক্ষী থিরুসি। (চৎখি)

দুর্য্যো: দুঃশাসন নখোয়বু য়াওরুরত্রনহায়।

দুঃশা: য়াওরুরে য়াওবদি, য়াওদে হাররগ লোইরে দাদ মহারাজ। কৈদোঞ্জরগবনো খুম্মব ইচীন পাল্লিববু?

২ব মতাং / ৬শুব উৎপা

নুংথিল নুমিদাংবাই, লম্বী খর চীকপদ। নারদমুনিন বীনাদ কাপ্লহন ইশৈ শুংহুন লাকই।

ইশৈ।

নেশা, নেশা মুহোনীগি নেশা!
নংন নিংথৌনি নেশা খিবিক্কি,
মুহোনীগি নেশা।

থক্ক্ন য়েংউরে চুরুট বিলাতকি
লিরীদ হাপ্লব লূরব মহীসু
মাংজৈ পৈশাদ।
ঙাউত্নন ঙাউরবদি স্বদেশীন ঙাউরগে,
মুহোনী থকচগে ফংদ্রগ জঙ্গলী
গঞ্জাগি নেশা।
ফাগে ফারসনু ফত্রব এক্সাইজন
পুগনি হন্দক্তি গঞ্জা ভারীদ
ঙাউরুগে স্বর্গদা।

হরিবোল হরিবোল, হস্তিনাসিবু কবম করম পাল্লিবনো খঙদ্রে।
কনা কনানো মখোয়সিদে (লাপ্লপ্ন য়েংই)

(ভীম অমসুং পিশিক লাকমিন্নে)।

ভীম ঃ ঙসিদি পিশিক বিধান সভা কম্ব হুমিং ওইরিনিদো ? ঐখোয়গি কাংবুগি মীকোক ব্রাহ্মনব য়াদেকো, শুহনগদবনি লোইন। অরু অরুব রা খবা ঙম্নব য়েৎনহৌদব য়াদে।

পি : লাকইবসিবু লাইবৈবাক্তি নাবদ মুনিহুম মাল্লিদা। কদায়দ চৎ-লুবিবনো লখী নাকোইদ ফাওবকইবসিদে।

ভী : খুকমজবি মুনিবব, কদোমদৈনো থাজদনা অসোমদদি ?
(মখোযনীমক খুরুমই)

নাবদ : মঙ্গল ওইযু বডমন্ত্রী ভীমসেন। অমদি পিশিক সেক্রেটারী নত্রা ?

পি ঃ মুনিদেব, ননাই ঐখোয়ন মন্ত্রী সেক্রেটাবী ওইরে হায়ব পাউসি স্বর্গদ তাবিবোইবে ?

নাবদ : কবিনো ঐবো নখোয়গি মর্ত্তদ থোকপ থৌদোকসিদি মিৎ পাংঙন য়েংথবক্ত'বসু নাকোংদ খব শিংলগ আকাশবানীদৈ লোইন তায়ন।

হুংঙাইনবে ঐবো, নখোয়নীগি লৈঙাক, বায়েল পথাপ তাবদ ঐখোয় লোইন পেন্নবে। মতা চায়বদি নখোয়ন মথংগি থাদ তৌদোবিব মেলাহ য়েংলব লাইয়াম কুম্মকপ্রা কবিমো খণ্ড্রি। নখোয়গি নত্তৌ তম্নিংব লাই মণীং য়ামখৎলক্লে হায়।

ভী: কদায়দৈ, ননাই ঐখোয়নবু কবি হৈজন্নন কবি খণ্ডজন্নন।

নাবদ: ঙাইখো, শেংন হায়য়ু। নখোয়নীবু হুজিক ওইনবিব ফম অঙ্কন পেল্লব্রা ? নিংথৌ মচা ওইন পোক্লগ নিংথৌ ওইনিংদ্রনে ভীম নংবো ?

ভী: মুনিদেব ওইনিংই হায়ত্নুনসু ইয়াম্ব অহন্ন ওইবিব ফম্বু কুমথবিরো ঐ অমুক ফমজগে হায়বদি ফজদবনিন ননাই ঐ হায়ভম খণ্ডদে।

নাবদ: নং পণ্ডইনা ভীমসেন। নিংথৌনি হায়ত্নুন নিংথে গি থবকতি তৌদন লাইশংদ লাৎপ লাইগুমন য়েঙ্গাং মহাউ খণ্ডদন লৈবদি কবি কান্নে ? মন্ত্রী ওইববসু ননীঙ তৌন নিংথৌগুমন নতিক নগুণ লৈববদি নিংথৌ হায়বত্নু ঙপ্রাও ? ধর্ম্মবা যুধিষ্ঠিবদি ঐখোয়গ লোইনন লাই নিংহুন লৈদৌব মীশক্লে ' খা থব থক বৈথা থব তা, তীর্থদ থব চৎ। নুপীগুয় গবুন তপ্ন নিপান লৈবাক্তী নিংথৌ ওইব ফব হৌনব্রাও ? যীশু খ্রীষ্টন বুদ্ধদেবন ক্লাইভকি লাম্মী ওইন মিং চনগে হায়ব ফংগদ্রাও ? গদাধব নংনবু রন্দাবন ফাওবগ কৈলাশত গঙ্গা মুহোনী মোন ৫দং য়োলুসি য়াগদ্রাও ?

ভী: চুমই মুনিদেব ননাই ঐখোয়দু থন্নজবিবনি, ইয়াম্মন নিংথৌনিন তৌগদবসি ওম্মোক্ল লুপ্লে।

মুনি: চিংনন্নু দোষ লৈতে। নযাম্বুংদি নিংথৌ ওইবসি শামুবু সম্পোৎ খোইনবদোন তন্নবজ্রাংদন। এহাক্তি নংনে নিংথৌগি অয়াম্ব থবক পুবিগ্রবদি সন্ত্রং, চৌবন্ন শান্নজনব মতম ফংলে হায়ত্নুন হবাওদৌন্নিবনি। নখোইনী থন্নৌ মুন্ন ; হুষ, ঐ ছিদাক থব খিক্লখিগে চৎলে।

ভী: য়ামন কনি মুনিদেব। (খুরুমই)

মুনি: ঙাইখো, ইকাইক্লন্নুন কায়দে, বা অম হংগে, গঙ্গা অফব জাৎ অম্ভ হস্তিনাদ কংব্রা, খাগুপ্রস্তদদি হোংই হায়ব তায়?

পি: গঙ্গা মোহনী অফবত্নদি মুনিদেব খাগুপ্রস্থ'দ লৈবিক্লবন ফনি, হস্তিনাদদি দারোগা ফত্তে, পুখিব য়াবোং

মুনি: মত্তদি কায়দে, খাংপ্রস্তবোমদ পাংগ্রগে। (চংখি)

পি: মসিগি অহললসিন পূব গঙ্গাদি কবিনো থা থা নত্তে। ফন ফাই দাবোগাশিংন কিব শুকখং খঙদে।

ভী: পিশিক ঙসিদি বিধান সভাগি মেম্বর শুন খোম্মু, অমত্ত চিখব য়াদে। ইমানীন অপায় বাবেপ অফব খব সব সব য়েকশিনহৌদব য়াদে। বা ঙাংব হৈব খব শেমশাত্নন লৈহল্লু বা হৌদোকনব, ইমানীন হান্ন হৌদোকউববদি বাসি ফজদব তাদৌবি।

পি: ননাই ঐন শোইদনব শিঙ্গনি, পিশিক ঐ সেক্রেটাবী অম ওইবদ মতিক চাদব মী নত্তে। (চংমিন্নখি)

২শুব মতাং/৭শুব উৎপ।

এসেম্বলী হোল, হস্তিনাপুর।

সভাপতিগি আসন্দ শ্রীকৃষ্ণ সনাকিগে থোন্দুন লেংশিল্লি, নাক্ত লাইখুরুম্বব ফক অমদ যুধিষ্ঠিব মালা পাযত্নন গেরুবা শংব ফৈজোম মথক্ত নিংথৌ ফুবিৎন কুপ্পুন ফম্মি।

সভা মযাম ফমফমদ অর্জুন নকুল, সহদেব. দ্রৌপদী, লৈশাবী আজকালগি অম খুলগি মহুৎশিনব মীয়াম লোইন ফয়রে। মন্ত্রী ভীম অমদি সেক্রেটাবী পিশিক ফাইল অম য়েপ্লগ হোল চংত্নন ফম্মরে মমত্তে তৌবগ।

শ্রীকৃষ্ণ: মী অয়াম্ব শুবে ঙসিগি মিটিংসিবু হৌব য়ারব্রা?

যুধি : য়াবে, অয়েম্বদ মতম মাংহল্লগ নাম শোম্নব মতম তেম্নবনি।

ময়াম : হৌবিব য়ারে গিরিধারী।

পিশিক্ক মথোয়গি মীকোক লোম্লপ' মশীং থিবি, খুজিম্ন শিক্কুন রা লোম্ন তাক্লি। অর্জ্জুন্ন Resolution ইব চে অম সভাপতিদ পীথংলি, ভীমগি নিপা অমসু চে খব লানখংলি।

(কৃষ্ণন লৌরগ পাথোকই)

কৃষ্ণ : তৃতীয় পাণ্ডব ইতাও অর্জ্জুনগি রিজোলুসন অসি মুভ তৌব য়াবনি।

(অর্জ্জুন প্লেটফোর্মদ কাখংলগ)

অর্জ্জুন : মিষ্টব স্পিকব, সাব।

ওসি ঐন মুভ তৌজদৌবিব রিজোলুসন অসি পাথোকচগে : হাউসকি মোত্ত দৃতীয় পাণ্ডব ভীমসেন্ন হস্তিনাগি বডমন্ত্রী ওই- বিদুন থবক পুরিবসি মনীঙ তৌমল্লি, লৈবাক কায়বকনি ; অদুন করিগুম্ব থবক অম পাংথোক্লমদাইদ য়াম্বুং মহাবাজ যুধিষ্ঠিরগি স্নায়াথং লৌগদবনি।

দাদা য়াইমন খুসীদ পংতৌ তৌহন হন্দক খুঙ্গং থরদ চংলম্ব ব্যব হার চারম্ব শেল, কল্লম্ব মবাল লৈব মী, ওমসু ওম্মোইদবদ হরাওনব মীচং ওইনিংনব হায়জিল্লম্ব ওইদব ঐ লোইন তাজরক্লে। অচুম অরাল য়েংদন পাঙ্গলন হেক্ত মুকথেক্কুন ইনাকখুনবৈ মরল লাইরবদ য়েঙ্খোক্লম্ব, নিঙাই তৌব মীশিংদ গদা উংতুন ধমকা তৌরম্ব অসি পুম্নমক নিংথৌ পান্দবগী থৌদৌনি, চন্দ্রবংশগি ইজ্জং মাংহনবগী মশক্তি। মরম অসিন জ্ঞান তারব ধর্ম্ম কায়দব দাদা মহারাজ যুধিষ্ঠিরগী য়াথং য়াওদন মতুং অসিদ করিগুম্ব মীয়াম্ন য়া- নিংলোইদব থবক অমত্ত তৌফদে।

(থরন খুবাক খুই)

ভীম ঃ সভাপতি শ্রীকৃষ্ণ, দাদা মহারাজ অদুগ ঙসি তিনবিবিব লৈবাকী মীহুৎ ময়াম।

ঙসি অর্জুনগ ঙাংখিব বাশিংহু য়েনিংদ্রা? সত্য খুৎসি মরেং মরেং চৎতুন খাংবনে। উয়োকথোঙ অম শাবৈসু, স্কুল ওবা অম হাপ্লেসু, মন্দির মচা অম কুপ্লব জিথ বন্দল অহুম মরী লৌবগিনু মহাবাজদ হঙৎকদ্রা মন্ত্রী ঐন মবম ওকচহন রেসন কার্ড য়েনববু করি কায়বগে? পিল্লব থবক মচা মচা হাপ্লদ ফাওব বড়মন্ত্রী ঐন খুদী তৌজব য়াদ্রবদি মন্ত্রী ওইবসি করি কান্নবি? ঐবু পাউ চৎনব চাপ্রাসী বাও? সত্য ফুনিং ফুনিংলব বাসি তারেদকো ভীমসেন!

(ভীম ঙাংলকপৈ মরক মরক্ত খুবাক জা জা থুনৈ।)

সভাপতিন অমুক্ত ভোট লৌবিয়ু ঐন বডমন্ত্রী ওইবদ হাউস অসিন থাজবিবিব্রা থাজবিব্রবা হায়ক্তন। হবে হবে, ঙসিসি ঐ মী য়েনীংইদা।

কৃষ্ণ ঃ দাদা য়াইম ভীমসেন্ন বডমন্ত্রী ওইবদ য়াবিনিংইব মী মখৈ খুৎ থাঙ্গৎপিয়ু।

(মী খবদ থাঙ্গৎপ উবম্বদৈ, ভীমন গদা মুকপ উবদ অয়াম্ব মীন থাঙ্গৎনরে।)

অতুদি অয়াম্ব মীন ভীমসেনবু পাম্মিবনিন ইতাও অর্জুনগি বারেপসি ময়াম য়াদ্রে। মথংদ সবকাবগী বাবেপ, চেংচাক মমল হন্থনব, শিঙ থাও মতিক চান ফংনব, বেশন কার্দ ময়েন, অহোংব দোকান খুলিবনচিংবৈ মবমদ সেক্রেটাবী পিশিক্ক bill খব মুভ তৌবিনি, মতু পুং অম চন্না বান্নব পোথ্বানবগ য়েৎনবন নুংঙাইব তাবে। সভাসি হুজিক পুং অমত্তং পোথাখিসি।

ওণ্ড্রব মতাং/অহানব উৎপ।

খাওপ্রস্তগি লম্বীদ পিশিক্ক সুট শেৎলগ টাই পুন্দুন এদভরটাইজ তৌবগি চে থম্ন পায়রুন গদা পা'টিগি মী অমগ রাবী শাত্তন থোবকই।

পি: লৈবাক অসিদ লৈরিব তোলোব চাব ফম অচৌব পূম্নমক ঐখোয়গি পার্টিদ য়াওব মীন তৌগদবনে। থবক তৌনিংব, মবল মথুম লৈব, মচীন চৎপ মীতা লৈববদি মমি' চলহল্লু গদা পার্টিদ, তু'দ য়ামন কান্নবকথিনি। ঐখোয়গী পার্টিদ য়াওদব মীন মফম চাওরিব, কান্নব থবক তৌখ্রিব পূম্নমক policy revise তৌব মতমদ লোইন লো-থোকনি ঐখোয় মীশিংন মহুৎ মহুৎতু ওইহনগনি।

নিপা: অবানব থবক তৌখিব, শেল চাখিব মীচং মীথায় নাইব কর্ম্মচারী পিক থম্ন লৈ, কনানসু ফাব ঙমদে।

পি: জ্ঞান তাউনে নিপা। হুবানব ফাদৌবিব নিপাহুন হুবানব ওইববদবু কবয়্ন ফাদগে পার্টি মশেলনি হুবানব ঙাক্ত? ঐখোয়গুম্ন মবুক শে'ব লৈবাক্কী ফনবদমক নীংব থোবক্লবদবু ফাদব য়াম্রাও? থব থব য়েন্নরগ য়াই কায়হুন মখাদ লৈব হুবানবশিংন চাবকপ শেলহু মথক্ত লৈব মীদ থব থব থুংবিরে, কাম্নে হায়ব খঙহুন হুপী অঙাংনসু হয়াউবে, মহুদদি ফাবগি ফম তাব লৈত্রে। ঐঙোন্দ কনানো অমত্ত শেল চাশি হায়হুন হৌবকসনো থবক লোথোক্কে।

নিপা: মহবু লোইন ফাবিববদি লৈবাকসি কৈদৌন হুংঙাইতদগে? অচৌবদগি চাপ্রাসী পিওন ফাওব মহাও থঙলে, শেল চাবগী ওইনম্বহু। শেলন তৌব ঙমদব লৈত্রবনিন. শেল থব লৈবম্ন মীদি লাখপতি ওইখ্রে, লৈরমদবশিংন গতি লৈতবন উৎত্ত্রদ তুহুন লৈরে।

অরৈবগ লৈতবগ সমাজদ অতিয়া পাতালগুম খেন্নরে। ধর্ম্ম বিচার তৌভমু উতোঞ্জা য়োনভয়দৌন কেশকি মন্ত্রম তিকরে। ফিভম অসিদ উকীলন ফন নিংথন কেশ অমগী ঙাংসনু জজ অহুন অম-য়োমদ চুমহন্নিংলবদি উকীল থম্বগি করি কান্নরি ?

পি: নংন হায়রিবহু মমাংঙৈগি বানি। গদা পার্টিন লৈবাক্তী অমোংপ পুম্নমক গদান ভক্তুন শেংদোক্লনি। অদুগ বা অমন মীঙোন্দ খঙ-হনগদব: পাগুগি মচা য়াইম ভীমসেন্ন নব যৌবন যজ্ঞ হান্নব অম তোগদৌরে, চহি ৫০ দগী ৮০ গুরব অহল নিপা খঙদে নুপী খঙদে ২০ দগী ২৫দা হন্থুন পাখং লৈশাবী ওইব য়ারনি হায়ন্নন ঐখোয়গী পার্টিগী মীশিংদ শন্দোকউ। নহা ওইনিংলবদি ৫ নী ফমদৌরিব যজ্ঞসিদ লৈজব শেল খর খর কংলগ— নহা ওইব য়ারনি হান্নন তাকপিন্নু। ৫নীসি হেন্দোকল্লবদি য়ারোই হায়নু, ঙসি যজ্ঞহু হৌগ্রবনি।

নিপা: অদুদি ঐখোয়গী অহল অনীহুদ অমুক্ত তাকপিরুখিগে অতৈ লায়রি। (চেনখি)

চৈগু পায়ং হনুব হনুবী খর লম্বীদ থেংনৈ।

পি: অহলসা নখোয়বু নহা ওইনিংব ঙাক্করা? যজ্ঞ মফমদ চংলিব্রা?

১ হনুব: মানি হায় ইবুংঙো।

পি: চংলু চংলু, যজ্ঞ হৌগ্রে; চিথহৌরগ নথবাই চাক্লনি।

১ হনুব: শোইদি শোইরোইকো ইবুংঙো? ঙাইখো নহাকপু পাগুগি মজাইবুংঙো য়াইম হায়বহু ইবুংঙোরা?

পি: নচ্চদে; ঐদি ভীমগী হেক ঙমথং পিশিক সেক্রেটারী হান্নবহনি। চিংননু নবুকচেলবু লেপ্পবদি নহা শোইদন ওইগনি।

২ হনুব: ঐখোয়দি থঙদগুন খুরুমহৌদ্রে, বারৌবির য়াদে।

(ময়ামন খুরুমই)

পি : জৈ জৈ। হয়েং পাখঙ লৈশাবী ওন্নগ ইপুগ ইবেনগ অতুম পুন্ন লৈখিব্রাও ?

হন্নুবী : লৈশাবীবু ওন্নবদি চহি কুইন লৈমিন্নহুন খিন্নব নপুদদি করিগী লৈরুন্নগবনো ?

পি : ইপু নংবু য়ানিংব্রা ইবেনগি বাসে।

হন্নুব ২ : ঐগ বা লোইনদন মাগুম্বীন অমদ চেনখিব করি মতিক লৈগবনো ?

হন্নুবী : তোলোব চাদব নিপাদ য়ুম পান্দোশরুক শিথিবন কৈ চেং অপুন্ন চাব খিরে।

(খৎন খৎন চৎখি, পিশিকন নোক্‌ন য়েংহৌই)

৩ শুব মতাং / ২শুব উৎপা

লাইরয়ুম য়ুমিদাংবাইদ হন্নুবী অমন হিদাকফু অম থক্লগ ফম্মি, মাগি হন্নুবদ্রুন লৈনাচোম অম পায়. শাল ইন্নফি, ফুরিৎকোট, খোংগ্রাও য়োমহুন হন্নুবীবু চৎসি হায়হুন থৌর। খাজদবী হন্নুবীন মচুক পৈ-থোকলগ হিদাক প্রোক প্রোক থকলি।

হন্নুব : পেম্মা হিদাকপু থারো চৎসিনে. কয়া কুইরে ঐন ঙায়রকইবা ?

হন্নুবী : করি কান্নদগে বারেম থোরেমহু খিৎ তৌবিররন্নুদা। মীগী অনাবগী থো-সুং তৌবিনি হায়বহুদি চৎপিগে হায়দ্রহুন। য়েঙ্গাংন হাওন চানিংইবা, থবক্ত তল্লিব, বারেমন পাম্মিবা, নচানিপা লংকৈ চৎখি-বহুন চৎকদব শাজৎ লীচৎপু হন্নুব নপোক খোক নয়া লাংলব। নংন চৎচশারিব্রাও ?

হন্নুব : হায় অঙাওবী. মঙ্গ তৌদবী. নংদি লৈবাক্কী ঈ-পাউ, ওইজ ওই থকসি করিসু তাপোৎ নত্রেনে মতমসি মতম অমমে অপঙবী মপান থোক্কবী।

হন্নুবী : ঐখোয়দি খুল্লক কোইদবনিন তাজদেয়ে, লৈবাক্কী তোকত্ত মপীশিংন ঙাংনব বাবু চুমই খঙদে লাল্লি খঙদে পংথাদ থাজব্রবদি মতম মাংর থবক শিৎপ, চোপ্প নংব শোইদবনে হন্নুংথংদ, ঐদি চোপচনিংদে।

হন্নুব : লৈবাক্কী হন্নুব হন্নুবীমখৈ পাথং লৈশাবী ওনখিদোরে ভীমসেন লিংথৎপ যজ্ঞগি মহৈন। লৈশাবী ওন্নীংলবদি লাকচৌ হায়বিবনে।

হন্নুবী : অবেম্ব মঙ্গুম্ব বাতুবু থাজক্রবিব্রাও—নমাই থকই হায়ত্তন মীন নঙ্গোন্দ লক্কবিবকপ ওইবিনি। পুকচেল তিন্নব মথা থংবগী তোমচৌ মাসু থর হৌবিথো।

হন্নুব : নং হন্দক ঐবু থাজদবদগি শোইজহৌনি হায় হায়বিগে। ঐদি উপ্পক্কব খোংগ্রাও, লিংলক্কব পাখঙগী কোট পুতুন চংলবসিনি।

হন্নুবী : থৈদেন ওকপ ওইন লেংবিখ্রো, ঐদি ইকাইতৈ চংচনিংদে।

হন্নুব ঙাইখো, ঐ হয়েং পাথং ওন্দুন লাক্কগ নংবু কপকনি হায় হায়বিহোগে ? পাখঙ ঐঙোন্দ হন্নুবী নংন চাওমপা কা হায়ত্তুন কৌরক্কবদি নমাই তেক্কে খঙঙু।

হন্নুবী : কৌজরোই কৌজরোই, লৈশাবীরা মৌ নহাবা অম হেক লৌবিক্ক। থীল্লে লেংবিবো। সোমদ চাক্কা অমত্ত হাপত্রে।

হন্নুব : নং হয়েং নিংঙমজরোই হায়। (চংখি)

ওঙ্গব মতাং / ওঙ্গব উৎপ।

লম্বী. সুমিদা.রাই। পাখং মশা নানব অমদ হন্তুবী মপুরোইব মাংগুবী অমন রারী শাতুন চংলি।

হন্তুবী : ইবুংঙো নংবু কবি লমদ চংলুবগে ইবেল রা অমত্তু হংজগে?

পাখং : কন্নিনো ইবেল?

হন্তুবী : নপল চাওভল পাযুংতুবু কবিগুম্ব লম্বী লমথাংদ উবম লাক্রমব্রাও?

পাখং : ইবেল ইপলতুদি ভীমগী যজ্ঞদ পাখং ওল্লতুন মৌন লৈশাবী ওনব হন্তুব্রবী অমগ রাবী শাতুন নোক খেতুন তুংদ লাকহৌবি।

হন্তুবী : অচুমত্রনে ইবুংঙো নংন হায়রিব রাত্তবো? হন্তুব হন্তুবীবু পাখঙ লৈশাবী ওন্দ ওনব্রনে? অথুইব উন, তেকপ্রব য়া, পোক্ক ঙৌবব কোক কবম্ম নহা ওল্লকপগে?

পাখং : কবিমত নাপোৎ নত্তে, লু কোকতে উন খোক্কে, য়া হাপ্তে। যজ্ঞদ চেং থোইদিং থব থাদৈ, দক্ষিনা অঙম্ব থব কংনৈ অতুদৈ মৈদ থুরুম্মগ পুখ্রী অচৌব অমদ ঝম লাওন চোংথহল্লি মকোক ফাওব লুপ্ন। মতুদৈ কাখৎলকপদদি পাখং লৈশাবী ওইন অতুম ইখি থিগংতুন থাবল চোংবীগী ইশৈ ঙংলগ কাবকই।

হন্তুবী : হুজিক্কপু ইবুংঙো ওঙ্গগে হায়রুব য়াখিদ্রা?

পাখং : থাজদ্রে ইবেল, ব্রহ্মাসু বরুনসু শোবাবেন্দে ছুটি নিবকপ মুম্রিং চৌদনি হায়তুন ময়ুমদ হনগদবগী মপোৎমচৈ য়োমহোৌবে, দক্ষিনা থুজিলহোবে।

হন্তুবী : দক্ষিনা থব চাওরপ কংলা। য়াবোইদ্রনে সনা ইবুংঙো?

পাখং : ঐন থাজদ্রে হায়বদি ইবেল অসুম তৌবনি। পুখ্রীতু মী য়াম

লুপ্লমনগ্নুহন থ্রুক থ্রুক কংহৌরে। খেংন লাকপ হন্নুব অমদি মথ্বাং-ফাওবদ লুপ্লহন, মথুক্ক মকোক্কহদি অহুম হগ্লহ্ন ঢৌলহৌরে খোঙ-দোনদৈ খ্বাংফাওবদি পাখং ওইহৌবে, হগ্লবী য়াহৌথে বী অমন মথুংক মমাইগদ ইশিংহু লুপ্ল ওক্তুন মমাইহ লৈশাবে মনঙ্গন মথ্বাংদি অহুম খুইহৌবে, কোলহৌবে—অঙকপ কুম্মেনি ইবেল।

হন্নুবী : ইবুংঙো, অহুক চাওব পুথ্রীঙ ঈশিং খুয়া অম ফাওব লেমহৌদ্রব্রাও?

পাখং : ইকোন কোনবগী হন্নুব হন্নুবীহ ইবেল লৈনাংদ নৈতন লুপ্লনে, মচেং থর নহা ওইহৌব অনীদো। অহুমকপু ভীমসেন ইশিং সনাবুল অমদি শোক্কংলগ মমাশিজ কুন্তীগ রাণী দ্রৌপদীগন ইরুনব থাক-হৌই হায়রঙম তৌবনি, মহুদৈ খুজোক অমন্তদি খাযবিয়ু হাযন-ক্লগেয়া লাইবক য়েংবিরু।

(হন্নুবীহ গম গম চংখি, পাখংন নোক্তুন য়েংহৌই।)

(চাওভল পান পাখং ওন্দুন লৈশাবী অমগ রাবী শাহন লাকপদ চাওভল মমান থামই)

লৈশাবী : তাদ ঐবু লৌবিব ঙমগদ্রাও? ইবেল অম লৈহৌই হায়বহুন বেয়া তৌরোইদ্রাও?

পাখং : সত্যন সাক্ষী ঙমনি ইবেম্মা। ঐগি চহি মতাসিন হন্নবী পান্নহুন লৈরুখিদ্রাও?

হন্নুবী : চাওভলপা কনানো লৈশাবীহদে?

পাখং : কনাগী চাওভলপানোনে ইবেম্মো? ঐন লৌজবব লৈশাবীনে। নশক খঙদে, ঐঙোন্দ কৌবিবক্কও।

হন্নুবী : নশক শকওংহু খঙঙি ইবুংঙো লোংপ য়াবোইদা। ইশম লৈশা-রীহৈদগী চহি ৪০ বোম পান্নরক্লব নংন চাওভলপা নক্তে হায়হুন

চেনব যাগম্রাও? ওয়াংদৈ চেনখিবন হনুবী ইথল্ম হন্দোকশ্মিববু নংবু তৌব ঙমন্দ্রাও ধর্ম্ম লৈতবা ?

পাখঙ : ঐ নত্তে হায়বনি ইবেন।

হনুবী : ঙইগে ওইয়ু ঙইবোই তোকউ, ঐদি নঙ্গোন্দ লৈনি। ঐগ নংগবু খায়নরব্রাও? যুধিষ্ঠির মহারাজদ চংলগ বাকৎলুনি নংন বেয়া তৌদোব ওইরবদি।

পাখঙ : ঐ নংগি নিপা নত্তে—হনুবী, নংন তাক্লিংব মফমদ তাকউচো। চৎসি ইবেম্মা।

হনুবী : মন্থদি কদায়দৈ য়াদগে (মফি পায়হন য়াম্নে)? লৈশাবী নং চেপনিংদ্রবদি চৎলু –, ঐখোয়নী কোন্নুং য়োনক্লখিব তারি হস্তিনাপুরদ।

(চিংহুন পুখি, লৈশাবীন নোক্কুনা য়েংহৌই)

৩শুবা মতাং/৪শুবা উৎপা

হুমিদাংবাই লম্বাংদ শ্রীকৃষ্ণ নারদ, যুধিষ্ঠির অমসুং অর্জ্জুন চীক্ক বা অরুব অম তানরি।

অর্জ্জুন : দাদা মহারাজ, থম্মোয় শোনব তৌবিনো। লৈবাক্কি মাংনব ওইব, অরানব, চোংলম চাদব থবক তৌরবদি লোথোকপ তাবনে। মন্ত্রী মাগিদ য়েংহুন অসুক য়াম্ব প্রজাবু য়াহনব হৌনব্রাও? অপঙব প্রজান পান্মিবমথৈ মনীং থুংনব মন্ত্রীন তৌরবদি ভোটকিদমক মন্ত্রী ওইব তারে। মী খোম্ব কনব, মরল লৈব, মীচং কনবদগি লৈবাক ওইরবদি জ্ঞান লৈবশিংন করি হায়রক্কদগে?

মহৈ হৈখ মহৈবাক্তি ফনব তৌব ভমগদব মীশিংদি মরল লৈত-খনিন ইলেক্সদ লেপত্রেনে।

কৃষ্ণ: ইতাও অর্জুন্ন হায়রিব ৱাফমসি অর্থ লৈব য়ানি। গুপ্তচোর থমহুন মন্ত্রীন তৌরিব থবক, শিল্লিব থৌশিলসি খিগৎপ করিমত্ত কায়দে। লৈবাক্ত অরা অনা নংলক্লবদি মগ্রী সেক্রেটারিদদ তায়-নব য়ারোই, দাদা মহারাজসু চোপ্প য়াওবিদোরিবনি।

য়ুধি: ফয়ে করিনো, ইবুংঙোখোয়ন সুম ফনি 'হায়বহু তৌবিরগ লোইরে।

হন্নুবী: (লাক্লগ কপতুন খুরুম্মে) ইবুংঙোখোয়, বড় মন্ত্রী অঙাওব ভীম হায়বত্থ য়াওরিব্রা?

নারদ: করিনো কৈদোরে ইচেক্সন?

হন্নুবী: ইবুংঙো, মন্ত্রী অঙাওব ভীম্ন নপুবু পাখঙ ওলহল্লগ লৈশাবী অমগি মতুং ইন্দুন চৎহনখ্রে। ঐদি ইপুরোইব লৈন লৈন লুপ্রাবী ওইহৌব তারে।' ননাই ঐবুসু লৈশাবী ওলহনবিগেরা নন্ত্রগ নপুবু অমুক হন্নুহনবন লাইত্রা অমদি তৌবিয়ু। মাংখ্রিব নপুবু ঙসিগি হুমিত্ত থিরগ ইখুৎত পিনবিয়ু।

য়ুধি: হয়েং কোন্নুংদ কারকউ ইবেন, বড়মন্ত্রীদ ঐখোয় হায়গে ইবেনগি ননীং থুংনব। চৎলো চৎলো. হুম্নিৎ তাখিবন হান্নি।

হন্নুবী: শোইবীগন্নুকো ইবুংঙো, ইবেনগি থবাইসি চাক্লহুন ইকাই ইকি খঙদ্রবনি। (চৎখি)

অর্জুন: উবিরেদন দাদা মহারাজ, অসিগুম্ব ৱাথোকসিন মশীং থাব ভম্পোৎ নত্তে। অমগি ফোন অমগি কোট্র, অমাগ হুপীন অতোপ-পগি য়ুমদ. হায়বু হায়জক্লরবদি মনীং থুংনরে। ইনাক থুনব মখৈ মুথলে. লাইরম্ব মখৈ হোনখ্রে। মীগি হিঙ্গোলদ চংউব সন হিজোল মপুদ পীথোকখ্রে। ৱাথোক্লবদ অহানব মন্ত্রীদ ৱাকৎলুব

নিপা নুপীন মমাই পাক্লে—। গদা পাটিগি মীবু ওইরবদি থবক ফংবদ লেল তানবদ, ফমথোন কাবদ অবাব লৈত্রে লখী লম্মে।

কৃষ্ণ : দাদা মহারাজ হয়েং মিটিং অম কৌবিদব য়াদ্রে। মন্ত্রী শীথনব হোৎনদব য়াদ্রে। কবি হায়বগে নারদ ?

নারদ : মন্ত্রী অমমুং মাগি ফাংবুদ লৈবাকসি মনীং তৌনব শিয়থোক্লং পদি চুমদে ভগবান। বড মন্দীনগ মহৈ হৈব, মবুক তম্ম মীকোক তাবমু নত্তা।

কৃষ্ণ : ইতাও অর্জ্জুন্ন ডসি অহিং মনীং থুংদব প্রজা মথৈ থোক্মো, হাকৎহল্লো থুংঙাইতব রাফম ময়ামহু— ভোট লৌনবদ মন্ত্রী কাং বুগি মীশিং য়ামদনব শিনব তায়।

(অর্জ্জুন নওন অতৈ চৎথি)

অর্জ্জুন : লৈবাকসিদ লৈব অহল মথৈন নহা ঙাক্ত ওন্দুন মী ইশি শিদ্রব, অঙাংন পংপোক্ত পোকলব, অহলন নহা ওল্লে, চাব থকপ ৱাঙে হায়হুন হস্তিনাপুবদা লম অতৈগি মীন পংলাক্ত লাক্সব কাব চাগনি, লৈঙম চনগদ্রা ? কয়া নুথ্রব ৱানো ? ঙসিদি তূম হিপ্প য়াদে, কোইন চৎতুনা মী থোঙ্গগ মন্ত্রী লৌথোকনব তোদব য়াদে। (চৎথি)

(পিশিক লমজিংলবই, ভীম্ম গদা লেংবান্দ থোংহুন মমিৎ থান য়েংহুনা লাকই)

ভীম : কদায় পিশিক কনামু লৈতেন, কদোম কদোমদ মাংগ্রে ? মৎবু লম্পাকসিদ মীয়াম মিটিং তৌবম্মি হায়বদায় ?

পিশিক : (ঙকতুন কোইয়েং য়েংলগ) কনামু লৈরমদব শিনদি মিটিং লোইখিরম্ম তারেদন য়াইম মন্ত্রী।

ভীম: নচীন থীব্রেদ কয়া যান খোঙন লাক্লবনো।

পি: হুম॥ চীন থীব নত্তে য়াইম, থাজব য়াব ঐগি মীশিংন পাউ লীবদগি তাবনি। ঐ:খায়ন লৈবাক ঙাকপসে শক্লকপ, মবুক য়েকপ মী য়ায় লৈগ্রে। মশক খঙত্রিবাও?

ভীম: ওহ—খঙলে, মখোয় মযাম্ন তাগ্নরগ থুগাইগে হোৎনরিব য়া ওইরেসে।

পি: কনাগি অহল নহা মুপী অগাং ফাওব কোন্নুংগি মী অয়াম্ব মবুক য়েক্লপোৎনে।

ভীম: ঐবো, দ্রৌপদীসু লৌতুনব মরক্ত য়াওই হায়রাকপ্রা?

পি: করিনো য়াইম খোগোৎপনিনে? দ্রৌপদীন য়াম্ন নুংশিরিবসি অর্জ্জুনবুদনে খঙেঙ্গা।

ভী: অচ্ছা খঙনি, ঙসিদি দ্রৌপদী ফুগেদো, ঐঙোন্দ মান মবুক লেংজিন্নব শারঙুন, ঐগি শরুক মহাক খায়নগে পঞ্জাব নিঙোল।

পি: ঙসিদি য়াইম য়ুমদ হনব য়াদে, খুল্লক ইরক্ক খর কোইসি, গুপ্ত চোর চৎলমগনি ফারুসি।

ভীম: ঐবু ঙসিদি বারেনহায় পিশিক, হকচাংসি ইহায় হায়রে, নহাল মজ্জাগি পুত্রীদ লুপ্পুবদে লোক লাইহো তোরে, হয়েং মচৎলসিব চারু চাক লাখনে কলাপসি চিংব য়াদ্রে।

পি: পাংথিদ্রেদ নংসে বৃকোদোর, হয়েংদি এসেম্বলী মিটিং থোকই, লৌ পাম্বানিন লৌমীশিংগদি অমত্ত কারক্তব য়াই। মখোয়বু কারকত্রবদি ভোট লৌনবদ ঐখোয় মাইথীরোইদ্রাও—মন্ত্রী লীথরোইদ্রাও?

ভীম: থোক্লব লাক্কনি ঐবো, ইশাসি য়াম্ন ইন্থম চল্লে, চাক খর চাশিলগ ফরা য়েংউব তায়, দ্রৌপদীব মৈক্ষু পাগৎহল্লগ থাংসি অমুক্ত মাইরুদব য়াদ্রে। গদাফাও পুবদ লৃম্মে নং খর পায়শিল্লু।

পি : য়াইম নংসি নম্বিল ওস্তোক্ত লৈখিদ্রেদ বিদ্যাশাস্ত্রী. মখিব্ব য়াওদব চাকমীন কনব হায়বত্থ হেক থোকইদ। নংবু দ্রৌপদী য়ৈকনি হায়বদায় ?

ভী : অরুম থারগ য়ৈবদু ঙায়দনা। পিশিক ঐবো নং ঐবু থব শম্মু. কোকসি ইঙাও ঙাওই, মিৎনমিৎ তোংইব, কম্বিনো ঙসিদি মতা অমনীহায়।

পি : কৈলাশত চিঠি অম থারগ মহাদেবত্থ ওনীদংদি অনাব মমাম লাই-য়েংবিনব কৌসিনে বড়মন্ত্রী ?

ভীম : ঐন হন্দক হৌরিব রাকমসি হেক ফবগ কৌব ঙাম পিশিক কাওহু। (চৎখি)।

৩রা মতাং ৫বা উৎপা

এসেম্বলী হোল. হস্তিনাপুব. পুং ১০ তাবদ। ভীম অর্জুন চিংব মেম্বর অমাম্ব কানবে ; খুল খুলগি মীহুৎশিংসু অয়াম্বন কারক্লে। ভিজি-টবগি গেলেরীদা নাবদ মুনি অমসুং রিসি চেটাৰ্জি ফম্মে। মুখীসু য়াম্ন মেম্বব মরক্ত য়াঙার। পিশিক লাংতক্রন মাগি কাংলুপকি মীশিং থিরি। শ্রীকব কৃষ্ণ পুং তরা য়ৈবদ লেংশিল্লকই, মমাম হৌগৎতুনা স্বাগত তৌই।

কৃষ্ণ : থবক হৌবসি : খাণ্ডপ্রস্থ ষ্টেটকি কনষ্টিট্যুসনগি সেশ্বন ৩৯ শুবত্থ মিষ্টর তোমচৌন এমেন্দ-তৌব পাম্মি। হান্ন লৈরম্বনা নিংথৌ অমসুং মাগি ইমুং মনুংগি খা অমগি থরচ লুপা লাক ২ ষ্টেটন কাম্ব-গদবনি। লাখ অনীসি তোমচৌ বাবুন লুপা লিশীং অনীদ হম্বহনব পাম্মি। ঙাংঙয়ো তোমচৌ বাবু।

জো : মিষ্টর স্পীকর, ইংগো ! সেক্সন ৩১, য়াওরিব নিংথৌ অমদুং মাগি ইমুংমনুংগি থা অমগি চাদিংসি মতম মতম অম ওইরবন প্রজান য়াম্ন নংনবন লুপা লিশীং অনীদ হন্থবসি হাউস অসিগি মৌত্ত ওইঁকব থোকই। গনতন্ত্রগি যুগ অসিদ মীগ মীগ থেম্নবসি পাঞ্জ থব চুমদ্রবন নিংথৌ অমসুং নিংথৌগি মন্ত্রী মতা পুম্নমকস্ প্রজান বানরিবনিদ শক্তক য়াব চুম্নি। বামিন্নরবদদ নিংথৌ প্রজা স্বলশিনগদবনি। নিংথৌগি ওলব অমদি এলাউয়েন্স য়ামদ্দ নিংথৌ ওইরোই হায়রগ লুপা লিশীং অনীহুদ ঐ নিংথৌ ওইজগে।

(থরন থুবাক থুই)

কৃ : পামদব কনা কম্নানো ঙাংলবা য়ানি :

নোকুল : মিষ্টর স্পিকর সার, তোমচৌ বাবুগি। মোশন অসি লৈবাক্তি মী থরনদি ওইজৈ খন্দুন পাস্থিরম য়াই। মতিক ঙাকপা ওমদন নিংথৌ থম্বিদৌ শক্তক পুমনো লৌথোকপন হেন্ন ফৈ। গনতন্ত্র চংলবনি হায়ত্তনসু থাইনদগি লৈরক্লব নিংথৌ অমসুং চংনবীবু পাক হৈক মুবংনব লৌশিং তৌব অফব থবক নত্তে। বিষ্ণু শক্তি লৈ-রিব নিংথৌবু অসুম্ন উশিত্তব চুমদে, মোশন অসি ঐদি থবাই য়াওন পামজদে।

কৃ : Well, ভোট লৌনহুনা য়েংব তারে, a nond nont অসিগি for দা পাস্থিবমখে থুং থাঙ্গংপিয়ু।

(ভীম, পিশিক, তোমচৌ মী ৫। ৬ থাঙ্গংলি)

কৃ : অহুনদি মিষ্টর তোমচৌগি amendment অসি ফেল ওইরে। ২ত্তব পাণ্ডব অর্জুনগি মোসনদি মুভ তৌব য়ারনি।

অর্জুন থোয়কপদ মী থরন থুবাক থুই, ভীমন মেজ মথক্ত গদা গোম্রোংগাং লংবদ তুমিন তুমিন্ন লৈনৈ।

অ : ঐগি মোসনসি মিষ্টর স্পীকার, সার, অমুক পাম্বোক্কদগে। হাউসকি মোত্ত হৌজিক ওইরিব মন্ত্রী কাংবুন থবক সুম পুথবিরবদি লৈবাকশিদ ওস্থোক ওস্থোকপ শেম্নদব মসাম থোক্কদবনি, পামরিব পাউরাগ অসি থর ককন্নগ নিংথৌ হায়রম মব হৌজিনব তারে।

মতিক চান্নিব অগ্না দ পেল যাম্ম পাম্হনর মকুবগুম মহে বাংপ কৌশিং নোম কাংবুন লৈবাক ঙাক্লবদি গবক্তরগি পথাপসি লৈরা। তায়। ভোট যাম্মগা লাইবে হায়হন থক্কি কাংলোব। মগুণ লোমদ য়েংনদক্কে। মী অশিংব অমম চুম্মি কৈ হায়বহ মপাঙল কনব মী ১০০ ন লামে ফত্তে হায়রগ লানগাদব নত্তে। লৈবাকপু কারবারগুম ওইরনব তোংনব ঙাক্লবদি লাইরম অশোনব প্রজা ময়ামদি থাংব বাই। হৌজিক প্রজা ময়াম মমিংথুংকুদ্রিম শেংপ, চাব, য়ুম্বান কৈবান ফগৎতবদি হৌজিক ওইরিব মন্ত্রী কাংবুন শিনব হৈতবদগী থোকপ ঙাক্লনি মবম্সন মন্ত্রী ওইরিব কাংবুু মীহুৎ ময়াম থাজরদ্রে লোথোক। চুম্মে। (ময়াম পুবাক সুই)

ভীম : মিষ্টব স্পীকর হৌজিক অর্জুন হায়খিব বাগ্নিংহু কল্লকতুম হায়ব বানি। লৈবাকমচাশিং চাক মবক শন্দব, ফি লেংথনব, য়ুম লৈনবু য়াংপ কনাসু য়াওদে। ঐখোয়ন তোঙ থবক লৈবাকি ফুত্তনব অমত্ত য়াওদে, অকব ঙাক্লনি। ঐখোয়সু পামদে, থাজদে হায়ব মীশকু, কনা কনানো ঐঙোন্দ অমুক মমিং পীবিয়ু, ঠিক তৌজগে। অসুক বান লৈবাক হুংঙাইনব হোংনবিব ঐখোয়গী হৌজিক চাদে তোকউ হায়ববদি শাওনিংওইদোব কনানো? (কেয়খি)

মোকুল : মিষ্টর স্পীকব সার, হৌজিক ওইবিরিব দাদা যাইম মধ্যম পার্টিন তৌবিরিব থবক থব ঐ শম্মপ হন্নংচগে থবক মরুন তবগ

ভু°ৰগ চেং চাম্বিদ্রৈ য়েন্নহন, অতনবগ অনোম্বগ ফোগৈ তিন্ন-ম্বদি থবক ওঙিংগদব, মাগেম ওংেনিংওইদব, মী খোম্ব চংনিং-ওইদব কনানো ? থবক হাপ্পদ মীশক মীমাই য়েং'ই গদা পার্টিন, মদৈ মখিং খোংইন খিগৎপিদে, মফমদি ওইরগ থবক্তি ওব হৈতহন ফুমহন খাগী শাহন আফিস্ট লৈব মশীং য়ামথ্রে। হন্দক হন্নুব ময়ুবী করুব পাথং লৈশাবী ওনখ্রে শৌন লুহোংগ্রে, করক তাহৌব হন্নুবী শম্বান কল্লগি মপুরোইব শীবিদ্ধু হায়রহন। পাথং লৈশাবী ওল্লে হন্নুব হন্নবীন হায়রহন মীদ পংলাক্ত লাক্লে লৈবাক অৱৈদে।

মী নাক্রে শিন্নে, হন্নুব হন্নুবী পাথং লৈশাবী নংহোদবদি শিবি-যহন খংর বারে। চানব লৈশিল্লকক্রে মীশিং হেন্দ্ৎমনবন, লৈকম চল্লকক্রে, লমদি পাকখোক্তে, লৈহাওদি ময়েং তায় লৈ-মাক্ল কুম কুমগি। ফিভমসিদ গদা পার্টিন লৈবাকসি অমুম পুহন ভাক্লবদি লৈবাক্তি অয়াব শোয়দন থোক্কনি। (ময়াম্র থুবাক থুই)

ক ঃ মথধ সেক্রেটারী পিশিক মন্ত্রী শোগৎতুন ঙাংব য়ানি।

পি ঃ মিস্টর স্পীকর সার, হৃজিক গদা পার্টিন ঙাকইব লৈবাক মঙাক্লি অমাঁগ প্রজান য়ানিংই, ওংঙাই হায়রনে। লৈত লাইর লৈতে, য়েন্নহন চামিদ্রৈ, অনা অয়েক লৈরোইদব খিৎত ঙায়রে, মহাদেব-সগি হিরাক চেনখ্রে নাদনব। যম চংনব লন্বী য়াইম ভীমন খিংনর হোংখরি। মী শিরয়োই, হন্নুব হন্নুবী ১০০ গি মন্নুংদ ২০ লোমদি লৈশাবী পাথং ওনখ্রে। ব্রহ্মা অমদি বরুনগি কৃপান, লৌক্লক লোং, মতম চান তাঁরে, মদৈ মবোং থোকপ হেন্দংলে, লৌকক লেংবগা চাব কনামত বাক্রে লৈবাকসিদ হংঙাইত্রে হায়রিবসি মন্ত্রী ওইব কংহোদব লৈশাবী পাথং ওনব ন'হোদব হন্নুব হন্নুবী থম্ব নক্কগ কনাগু ওইদগে ? অপাম পামদ ভোট হেক্ক লোনসে।

কৃষ্ণ : অচুদি শমজিন্নপি, যোদন অসি পাব হায়বদি-শরগ্গাচিন মন্ত্রী ওইবদ থাজদব মী মথৈ খুং থাংগৎপিয়ু ।

(অমাম্বন থাদংলি)

গদামন্ত্রীবু পাম্মিব কাংবু অমুক খুং থাজংপিয়ু । (ভোল বা ভাঁয়রে)

কৃষ্ণ : গদামন্ত্রীবু থাজদব মীন য়াম্ন হেজে । ঙসিদৈ মন্ত্রী তোকপা তারে । দাদা মাইমসু লেংলক্লে সহি তৌদব লাওথোকসি ।

(যুধিষ্টির চংলকপদ বেজ্রুপ খোংই কমায় হৌগৎলি)

যুধি : ভগবান শ্রীকৃষ্ণ । ঐগি কুঁংশিমব প্রজাপ্রমাম। ঙসি মনায় পূক্চেল তিমন গদামন্ত্রীবু থাজন্ত্রে হায়রবনিমা হায়ঙম ঐন দৈবাক ঙাক-চরমি, মতম থর বড়্‌ মন্ত্রী ভীমসেন গবক্কে লোথাখিব ভারি। পিশিক সেক্রেটরীসু । প্রজান জান থয় তানয়কপ মতমদ অমুক মন্ত্রী মতিকচাব থনব তায় । মরক অসিদ ইনাও মাইমসু লাইরিক থর তজ্ঞোব কৈ । সিন লোইজরে ।

কৃষ্ণ : অচুদি ঙসিগি সভা অসি অসুম কায়নব ভারে ।

(যুধিষ্টির, কৃষ্ণ, মমামসু থোকখি ; ভীম পিশিক অমমুং চেটঙ্গী লৈহৌই ।)

ভীম : পিশিক, ঐ কোক ঙাওরে, ঐ ঈপাই হৌরে পিশিক, ঈশিং পূরকউ কোক্ক য়েরো—ঐ মিং নিংথিন উদ্রে নহায় পিশিক ।

(লৈবাক্ক ভুই)

পিশিক ঈশিং লোক্করগ মকোক্ত য়েরি চেটর্জজীন লাইকয়ব মাওই ।

বি, সি : ইতাও ভীমসেন, ইতাও নংবু ভাব ভাজিবাও ?

ভীম : (তয় হৌগৎতুন ক্ষম্বি) পিশিক ঐগি গদা কদায়, গদা শীমু । ঐবু বড় মন্ত্রী লোথোকপ কনা কনানো ? মশক তাকউ, গদান মকোক্ক থোমগাইগে । ঐ মন্ত্রী ওইখিনি, ঐ মন্ত্রী তোকপ ঙম্মোই । ঐহাক্কি লৈবাক্ক মাব মন্ত্রীনি ।

(ভীম ওঁং কহুন পাঙা থাক তৌবদ অনীভু কিতুন হন্দোকই।)

বি, সি : ইতাও. ইতাও ইবুংঙো মন্ত্রী. তপথবিয়ো। অমুক্ত তপ্ল ইংন আন তান বা ঙাংনখিগে, পদাগি মতম মত্রিয়ে।

(ভীম মোক্লগ হুংশা হোৎক্ষ. মখুৎ মশা নিকই।

ভীম : ঐ মন্ত্রী ওইখিরই, মন্ত্রী ওইখিগনি নত্রবদি ইফম তারগ ঐ হিংতুন লৈব ঙম্মোই। মন্ত্রী ওইনব উপায় তাকউ, ঐ মন্ত্রী ওইখিগে।

পিশিক অমসু চেটর্জীন চৌক্লিদ ফমহল্লি।

বি, সি : তপথবো। ইতাও, মন্ত্রী ওইনব পাম্বে লৈ, করিগি লৈতদগে। লাইরিক হৈব নিপান মন্ত্রী ওইগদবনে, প্রজাশিংসু লাইরিক হৈগদবনি মাজর্ণীত পাঙদবনি। ইতাওনবু লাইবিক হৈরবদি জ্ঞান লৈববদি ইতাও অসুন—ঐ শোইদন মন্ত্রী হাপকে।

ভীম : ইতাও ঐবু লাইরিক তম্মগ হৈবকখিদ্রা ? (তপ্ল)

বি, সি : করিগি হৈতনি. তম্মগ হৈতব লৈত্রাও ? শোইদন হৈরকনি, হৈবু হৈববদি মন্ত্রী শোইদে।

ভীম : অদুগি মতম মাংহনব যাদে, অতে পূম্নমক অবেম্বনি। পিশিক. ঐগি গদাসি নং খব থমজিল্লু, ঐ লাইরিক তম্মগে। নংসু লাইরিক তম্মু, ইমানী অমুক মন্ত্রী ওইখিনি। ইতাও নং, ইমানীবু লাইবিক খব তম্বিয়ু।

বি, সি : (ফুরিৎথাউদৈ মৈতৈবোলগি অহানব অম লোথোবক্লগ মমাংদা ফাকলি।

অ, আ

ভীম + পিশিক : অ, আ

বি, সি : ই, ঈ উ, ঊ,

ভী + সি : ই, ঈ, উ, ঊ।

বি : নথন নথন্দ অমুক হায়।

পি : অ আ ই ঈ উ ঊ।

ভী : উ ঊ অ আ মখা করি হায়ে ?

বি : ইতাও, অ আ ই ঈ ন হাল্লু।


ভী : অ আ ই ঈ ন হাল্লু।

(ফুক হোগৎতুন) ঐ মপী ওইনিংলে, মন্ত্রী ওইখিগে, (হোন লাওই)

ঐনু খামগনু, ঐ মন্ত্রী ওইখিগে।

(চৎখি গদা পায়হন, অনীহুন খাম্ব ঙমদন চেম্নখি)

পোইরব



জি. সি. তোংব্রাগি

কোৎলব লাইরিক খর ইম্ফালগি লাইরিক য়োনব দোকান অরাম্বদৈ ফংবিগনি।

১। মনিমমৌ ১.৫০ ২। মেত্রিক পাশ ২.০০ ৩। মৈতৈ চনু ২.০০	Students' store, Paona bazar, Imphal.
৪। তাইবং গাইত্রং ২.০০ ৫। হিংমিন্নব ১.০০	O. K. Store, Paona bazar, Imphal.
৬। অঙ্ক অমগী লীলা ২.৫০	Sahitya Parishad Store, Police line, Imphal.

Any Book Stall, Imphal.

৭। হেমলেট (অনুবাদ) ২.৫০; ৮। ওথেল্লো (অনুবাদ) ৩.০০
৯। হেলোইন পু-ব ১.৫০; ১০। ইমামচা, অনাথোক্ন চা-খাংরে ৩.০০; ১১। লীলা মচা তরুক ২.৫০; ১২। লীলা মচা মচা ১.৭০; ১৩। লমজা পরশুরাম ৩.০০ ১৪। লাইকদিবা অনৈ য়ুম (অনুবাদ) ৩.০০; ১৫। ব্রারেং মখল মখা...২.২০; ১৬। লীলা মচা তরা... ৪.০০; ১৭। নিঙোল মরা...৩.৫০; ১৮। নোংপে [illegible] ১.০০ ১৯। লিক্লী+মুংশি লোনম্বী ৩.০০; ২০। শেরেং ব্রারেং [illegible] ২.৫০; ২১। মচিন মনাও+সনা চহি মঙা ৪.২৫।

ইং ১৯৬৮ দা ফোংব :

২২। শঙ্গোম-মিঠাই লান্মী (শোৈদ শেমদোকপ) ...	৩.০০
২৩। মেকবেথ (অনুবাদ) ...	৩.৫০
২৪। লূদ মী চংব ...	২.৫০
২৫। ইম্ফাল থোইবী (অহুমশুব) ...	৩.০০
২৬। ইমুংগি ইজ্রেৎ	৩.০০
২৭। কলিদ ভীম মন্ত্রী	২.০০
২৮। আকাশবানীদৈ তাখ্রব খর ...	৪.০০